ব্যাক্ষোং লাতম।

হিরম			লামাই
চীংথি	....	....	১
অম্বুক অঙ্গনবা	....	....	২
স্রমিৎ যুংগা	....	....	৩
আচিং	...	....	৫
নিদ্রা	....	....	৭
থোবাস্মিচাক	....	....	১১
দশরথনী মফমদা কৈকয়ী		....	১৩
পাণ্ডমেন মরি	....	....	১৬
মতমগী পাজল	....	....	২২
দৈ	....	....	২৫
থানিন	....	....	২৯
মমগী চৈথা	....	....	৩৫
পোকনফম লমদম		....	৩৯
প্রকৃতিনা উৎপা	....	...	৪১
সুংশিং	....	....	৪৬
ফিরম	—	—	৪৯
প্রথীলানা লক্ষা কোমুং চংঙা		—	৫২

শৈরেং অনৌবা।

চীংথৈ।

অঙাংবা থিনা লৈতেংবী, চিংথৈ কৌবী লাইরেম্বী
কনানা শেম্বনো নহাকশে ?
য়েংউ য়েংউবা মফম্দা, মিংফম হোংবা য়াদেদা,
মিংকী পেন্নফমনি নহাকশে।
নিংথিজবা লাইবক্তা, সংগ্রেং শমজোই ময়াইদা,
ভাঙানবা সিন্দূর থিল্লিবী !
মোমোন মোমোন নোক্তূনা, পুক্নিং তূজুং হয়াউনা,
নিংথিবা ঈশৈবু শকলিবী !
লৈরাং খুবাম পাইদুনা, কনাগী খুয়া তম্মদূনা,
থোংনা নৌনা চাইরিবা ?
হস্থনা য়েংবা শিংয়েংনা, কনা তমনা য়েংহুনা
প্রেম লাইজ তরং হোন্নিবা ?
তাইবংপান অপুম্বা, অশিবগুম লৈরম্বা,
নিংশিংবা ওমন্ন কংহল্লে ;
লাইবু নিংবা মখৈনা, নিংশিংবিদুনা পুক্নিংদা
লাইগী নামবু শোনহল্লে।

অয়ুক অঙনবা।

শজিক থবা মুংথরে,   চৌংথৈ কৌবী থুপথরে,
ঙুমিংকী মঙান ফাওরকলে।
মীচং শংগন নাইদবী,   অচৌ অপিক থাইদবী
নিত্রা কৌবীসু হনথরে।
অহিং মতম হৌথরে,   তাইবংপানবা য়াহৌরে,
মাইকৈ খুদিংদা নিল্লকসে!
ঙুম্না শাংপা লৈরাংনা,   মকা ফম্না শাত্তুনা,
নিংথিবা শকফম উৎলকসে।
লৈগী লৈনম তাবদা,   মরাং হৌরবা পুক্লিংদা,
খোইমুগী মপৈ পাইরক্রে।
পাত্তা হৌবা থম্বাল্লা,   ঙুমিৎ-মঙান উদূনা,
মোমোন মোমোন নোকলকলে।
থরো কৌবী লৈরাংনা,   তাংজ মরাই লুক্কুনা,
কাঙ্গনবা মৈখু লাংথরে।
লৈহী পাম্বা খোইমুনা   লৈরাং থক্তা তোংহনা,
লৈহী পেম্না চুপলক্রে।
থম্বান কৌবী লৈরাংনা,   থম্মোই মকা ফন্দোক্লা,
খোইমুগী আসন থাথরে।
চান্নখোইবা খোইমুনা,   লৈকাপ্নুংদা চংদূনা,
লৈরিকথক্তা তোংথরে।
খোইমু মপৈশিংদূনা;   থম্বান লৈহী চুপ্তুনা,

শৈরেং অনৌবা

থরোগী রাখন কাউথরে।

থরো মতৌ য়েংলগা, লৈরাং লৈশক উরগা,
কোইজাই কোইজাই পাইথোক্লে।

কালনা মতম ষরিঙৈ ফিরায়া মমাই চুমলিঙৈ
মরূপ মপাংবু য়াম্মিদা।

মতম থীবা লাকলগা, ফিরান মমাই পৈরগা
কনা য়েংবদা উদেদা।

শাগৈ নাতৈ মনুংদা, নচিন ননাও মরক্তা
নংগী হায়বা কনানো?

তাইবংপানবা অসিদা, মরূপ মপাং মনুংদা
লেংদবা মরূপ কদাইদনো?

থিবা মথৈ থিরগা, থনবা মথৈ থল্লগা
ঈশ্বর নত্তনা লৈতেদা।

কাল মতম নাইদনা পুকনিং অনি লোংদনা
ইবুংঙো মাবু নিংজোদা।

———

নুমিৎ থুংবা।

কোরৌহনবা কারকলে, লম্বী কোংগাই য়োরকলে,
অশাবা মঙান শজোকলে,
মতিক অচৌবা উংলকলে,

নিংথিজবা দোলাইবু, নোংদোল খেৎনা থৌরকলে।
মৈশা খাংবদা ম্নারবী,
অইংবী কৌবী লাইরেম্বী,
উখোং খুদিং চংলকলে, উগী উক্রুম থুপলকলে।
পোম্বী চেকলাশিংছুনা,
উন্না অপুংবা থিদুনা,
উফৈ থক্তা তোংখরে, তুমিন তুমিন লৈখরে।
ষণবী ষন্নাউ মখৈনা,
ঃশজিক ম্নাইবা তোকহুনা,
উক্রুম থিনা চংনরে, মহৈ মহৈ পোত্থারে।
মুংঙাই য়াইফা খিবিকনা,
হুমাই ৎুত্তা পাঙ্গৈছুনা,
মালংবা মতেং লৌনরে, ওম্না থোইনা খাংনরে।
লৌউ শীংউবা মখৈনা,
শূরম্বা থবক লেপতুনা,
অইংবা মকম থিনরে, ঙাইহাক মৈশা খাংনরে।
উমং খুদিং কোঙ্গৈছুনা,
লৈকোন খুদিং চংদুনা,
লৈপুম তিংনা কোঙ্গৈরম্বা, অইংবা মুংশিৎ মাংখরে।
মুমিংফী মৈশা লাংলবা,
মশা মতোম চাকলবা,
শাউগৎলবা মালংবা, কোঙ্গৈচেন চেন্না খাংখরে।

অসিগুম্বা মংমদা,
খম্বাল কৌবা লৈরাংদি,
মতূ তুবুম তেক্কেদো,   লৈরিক লৈকা খুইদোমদা।
খেকনা খেকনা নোংনা
মাইথোং মকা ফংদুনা,
লাইগী পাউতাক নিংথিবা,   তাকপিরিদা মাঙোম্বা।
অশোনবব মাকপিনা,
অনবব চমথোকপা,
তাইবংপানবা মপুগা   পথাপনদি হাঙ্দুনা।

অহিং।

অঙৌবা থাবম্না ফিজেৎনরিবী,
থনান-মীচাক-চমকা থিল্লিবী,
নিংথিবা লাইবক্কা মনি থেৎলিবী,
শংবানবী কনানো পুক্লিং হূরবী!

অহিং-শাংপা লৈরাং মথৈনা,
মাইথোক থাবম কংচগেদি হাঙ্দুনা,
লৈপুম ফানা লৈকা ফম্না শাংতুনা,
তাইবংরিদো পুকনিং তুজুং হরাওনা।

নুংথিন কোরৌ চুপনা রারুবী,
কোরৌ হনবগী মৈশা লাংঙ্বী,
পাত্তা হৌবী থরো কৌবী লৈরাংনা,
লাইজথক্তা নিংথিরী থা উত্পনা।

চান্নবীগী মাইথোং উবদা,
নুংশি ঈরাং হৌরবা পুকনিংদা,
পুকচেন ফাবা ঙমদ্রবা শানিন্না,
শান্নরিদো লাইজনুংদা কূমদুনা।

পাওজেনবনা মশিনশাং
শিঙ্গারৈ নাকোংদা,
নিংথিবগী লৈরাংদো,
মশাগী লৈতেং নিংথিবা,

থেংনরুরে মালংবা
তমলুরেদো অপুম্বা,
তাংজা মরাঙ্গী লুকলেদো,
লৌথোক লৌথোক থাদরে।

মপুথৌদা ইল্লিবী,
অরাপোংথা নাইদবী,
অপিক অচৌ নাইদনা,
তাইবংপানবা জীববু,

কাল মতম শোঙ্গদবী,
নিদ্রা কৌবী লাইরেম্বী,
যুম্বুম তিংনা চংলক্লে,
মথান্নুংদা কোনবিরে।

থেংতা থেংথরকলগা,
মালংবনা হুম্বদা,

লাইজা তরং চৌরবী,
হিকনা হৈনা কপলিবী.

থোওং থোওং খুদিংদা, ভক্তিগী নারৈ উংলিবী,
কনানোনে নহাকপু, তাকপিয়ুদা শকহেনবী।

অহিং কৌবী লাইরেম্বী, খংজরেদো ঐহাকনা,
লাইগী মতিক অচৌবা, উংপিরেদো নহাকনা,
খুবাং তরা লোম্ননা, খুকউ খুদক লৈতানা,
পীনবিয়ু নিজরি, নিংশিংজবা পুর্কনিংনা।

নিদ্রা।

অহিংগদি লোঙ্গৈনবী, নিদ্রা কৌবী লাইরেম্বী,
অঙকপনিদা নহাকশে!
তাইবংপানবা অপুম্বা, অশিবা পাংখক ওইহনবা,
চাউখরেদা নঙ্গণশে!
পোম্বী চেক্লামখৈনা। কোঙ্গৈপাই কোঙ্গৈপাই পাইহনা,
মচাক তারম্বা তোকখরে;
উনা অপুংবা খিদুনা, উফে খত্তা তোংহনা,
নিংশিংবা লৈতনা পোংথারে।
খনবী খগ্নাউ মখৈনা খণগোন খণগোন চংহনা,
মুংভাই মুংভাইনা কুনখরে।
খোইমু মপৈ খিবিকনা, লৈহী চুপ্পা তোক্হনা,

ভুমিন ভূমিন্না লৈখরে।

শান্নবত্রা পামলবা, মরুথীংবা অঙাংশিং,

উভূপ তাবগুম তাখরে।

মচা লিংবী তপোকপী, মচা কোন্না ভুমখরে,

মচাগী রাখন কাউখরে।

মহৈ তম্বদা ঈল্লিবা, অন্না পোথা নাইদবা,

অঙাং লাইরিক থাদোকলে ;

খনবা রাখন তোক্তনা মতম হৌথি খংদনা,

নিদ্রাগী তুম্পাক তাখরে।

বাঁশী খোঞ্জেন তাদরে,
ঈশৈ লাউবা সেপখরে,
ঘারা খোঞ্জেন মুৎখরে,
ভূমিন ভুমিন লৈখরে।

খুল্লক লৈন্নবা চিকখরে,
কৈথেল দোকান তাকখরে,
মিন খোন্দখা হোকখরে,
অহিং ইচিক হুনখরে।

লাইরা পম্ভোম লোমহুনা,
অন্না পোথা নাইদনা,
মোনজমজিবা চুপাদো,

নিংঙাইবা লৈতনা পোথারে।

ফিজীগী লম্নি থমজবা,
মুংশিবা মচা শিরবা,
থম্মোই কাইরবী মুজাদো,
অল্লাবা মৈচাক মুংখরে।

মৌনা লুখ। ওইরবী,
কাঙ্গিনবা মৈথু লাংলবী,
থম্মোই লকা কংলবী,
কাঙ্গিনবা মৈথু কোকখরে।

ওম্মোকইদা ইবেম্মা,
চাউইদকো নগুণশে,
ভূমহনবতা নত্তনা,
অঙকপা মংসু মংহল্লি।

লাইরশংগী মুপাবু,
নিংথৌ থুভম ফংহল্লি,
শঙ্গাইনুংগী নিংথৌবু,
চাকনিবা নিপা ওইহল্লি।

মুমদা লৈবা নিপাবু,
লংকৈ থোকনা চংহল্লি
লংকৈদা লৈবা মুপাবু,
মমম নাক্তা য়োৎহল্লি।

লাইরমচুঙংনবদা,
মরন মথুম ফংহল্লি,
ইনাক বৈরাক থুনববু,
লাইরমচাকনি ওনহল্লি।

মচা পোক্তবী মুপীবু,
নিংথিবা মচা ফংহল্লি,
মচা পোকপী মুজাবু,
পোক্তবশীংদা চনহল্লি।

নংনা উৎপা থুদম্ব্,
মংদা থোকপা থৌদোকপু,
থল্ল্বা রাথম্বা,
লেপলুরেদা পুকনিংদা;

ভাটবংপানবা অসিদো,
মতম ভাইহাক পানবনি,

মংদা ওইবা নাওংশুম,
কোঙোন তাকপশুম তাকনি।

———

থওয়াণিমচাক।

অতিয়াদা থোকপা থরানমিচাক,
কনানো নথোইবু? অহিংদদা মথোকই।
চিকনা ইংবা নওাম্না পুকনিং হুই,
কুবের লনগী মণিরা নথোইবু!

নত্রে হাঙ্গিরগা, শংবানবী অহিংগী
শমজিদা থেংপা লৈরাংনি হাঙ্গেরা?
নংত্রগা নোংদোন লাইরৈবাক মথক্তা
অহিংদা থানবা থাউমৈনি হাঙ্গেরা?

মথক অসিদা নোংগা চান্নথোইবা
অচৌবা সনাগী রাহোং অমা লৈবরা?
অমদা অহিংবু নোংনি নিংহুনা,
কন্দোরুকপা মমৈগী মমিং ময়াম অদুরা?

অহুপা স্বর্গ লাইরপী খিবিকনা

থোইনা পামনা লুনা তৌনবা,
স্বর্গ মন্দন লৈকোন্দা শাংলবা,
পারিজাৎ কৌবা লৈরাং অদুরা ?
অদু নত্তে হাঙ্গৈরগা, মখক অসিদা
অচৌবা পুথ্রী অমা লৈবরা ?
মুমিংনা তাখ্‌ৎগা শাত্তোকপা,
পুথ্রী অহুদা শাংপা থবোরা ?

অদুগা ধর্ম্মচেনবা থরাইরা ?
তৌজমল্লা লাইরৈবাক্তা লৈতুনা,
অমম্বা অহিংদা অতিয়াদা থোক্তুনা,
ধর্ম্মগী অচৌবা মগুণবু উংপরা ?

রাখন থনবা অশিংবা কয়ানা,
গ্রহ উপগ্রহনিস্থু লেপনরি,
অতোপ অতোপ্পা নমিংস্থু থোন্নরি,
থাগী চান্নথোইবীনিস্থু হাঙ্গৈনরি।

হাইরিবা মরম খিবিকস্থু থিনিংদে,
অথং অশিংবা-শিংদস্থু হংনিংদে,
রামনা থংবা শাবস্থু উংনিংদে,
ঐগী থোকপা অমা হাঙ্গৈনিংঙি।

পাকচাউরবা অত্তিয়া কোর্ব্বাক্তা,
কনাগী অচৌবা মতিক উত্ত্না,
নিংথিনা ইবা মৃক্তাগী ময়েকনি।
হাঙ্গৈজগেদি হাঙ্গৈনা নিংত্তি ঐহাকনা।

নোকপনা অশাৎপা লৈনি উংলিবা,
ইংবনা পুর্ণিমাগী থানি তাকলিবা,
মুমিৎনা মঙানি হাঙ্গৈনা খংহনবা,
ইবুঙো মাগী মগুণবু ইবনি।

দশরথকী মফমদা কেকয়ী।

মন্থরাগী মপাউখোন অসিবু, অচুম্বয়া
রঘুরাজ ? অতোনবা জাংতা পোক্লবী মাহাক্নি।
মাগী মরাবু করম্না অচুম্বনি লৌশিবা।
তাকপিয়ুদা ইবুংঙো! ঙসি কোরৌ মুমিত্তা,
অপান অপিন মথৈনা, কন্নি অম্বুক হন্নাওরি!
লম্বী শোরোক মথক্তা করিগী লৈ চাইন্নিবা!
থোংজিন থোঙ্গান খুদিংদা লৈ পরেং য়াল্লিবা
ফুরা দোলান মতোন্দা অচম্না ফিরাম্না
কন্নিগী পাইন্নিবা ? খোংমী লাম্মী অপুম্বা,

শগোন শামুনা চিংহুনা লানগী শমপোৎনা
লৈঙেংবা। নিংথিবা যন্ত্রমথৈ করিগীশু
থোংলিবা। কোম্নুং মন্নুংগী নুপী নহামথৈনা
জয় জোগার তোইরাউ তোইরাউ লাউরিবা।
জগোই শাবী মথৈনা করিগী জগোই শারিবা।
ইশৈ শকপা কাংবুনা করিগী ইশৈ শক্লিবা।
তাকপিয়ুদা ইবুঙো। খংজনিংবী ননাইদা।
রঘু শাগৈগী নিংথৌনা ওসি করি ব্রত কৎলিবা।
কনাগী য়াইফ মুঙাইনবা মরমদা,
কৌশল্যা কৌবী ইচেমনা সনাখুজোক য়েল্লিবা।
লাইথোং লাইথোং খুদিংদা ধূপ থাংমৈ কৎহুনা
পুরোহিতনা করিগী বেদ মন্ত্র থীরিবা।
সনাকোম্নুং তমদুনা অয়াম্বা প্রজা মথৈনা
অতৎ অথম লৈতনা মরী মরী কারকপা।
লানফম অমা ওম্বগী হয়াউ কুম্মৈ তৌবরা?
হংগে হায়না হংবনি লোইনা খংজে ননাইসু।
ইবুঙোনা নিংথৌনি, তোল্লবীনা ননাইনি;
ইমান ইমাম্বা থোক্লগদি ইচিন পেম্না
হাঙ্গনিংঙি রঘুবংশ নিংথৌদি রাশক কাঙ্গবা
কিহৌদে। কেকয়ীদি ননাইনা পংঙাং ঙাংবা
থোক্লগা, সনাখুংগু পাঙ্গহুনা ননাইগী ইঙক
ককপিয়ু। ননাইনা হাঙ্গজবা সনাবুদ্ধি তৌবিয়ু;

মীগী মীনোখ অথীবা করম তাগে খনবিবা।
পুকচেনচাউবা, সত্যলৈবা, ইন্দ্রিখুত্থমচনবা,
ধর্ম্মচেনবা নিংথৌনি থাগৎনরি লৈবাকনা।
করম্বা সনাবুদ্ধি খন্দুনা সত্য রাশক
কাঈদুনা, রামবু যুবরাজ হাংপকে তৌবিবা।
মমাংঙৈগী রাশকপু নিংশিংবিয়ু মহারাজ।
ইচান্নুপা ভরতনা মরম কৈদা রাৎপগে?
কৌশল্যাগী মচানা মফমকৈদা হেনবগে?
শত্রোকথ্রবা রাশকপু করিগীদমক ভাক্তবা।
কেকয়ীদি ননাইনা করি ইরান লংজবা।
ভরত কৌবা ইচানা করি দোষ তৌখিবা।
ইচিন ইনাও অহুম্মক ইবুংঙো নংগী ননাইনি;
কৌশল্যাদি ইচেমনা করি সেবা হেনখিবা?
তোল্লবী ননাইনা সেবা কয়ামুক রাৎলবা?
অরেম্বনি, ননাইনা হাঈজরুবা অপুম্বা,
ইবুঙো নংগী ননিংবু থিংগদবা কনানো?
নোংশাগী লম্বী লমহুইনা থিংবা মতিকলা।
সনা পুক্লিং থুংনবা রামবু যুবরাজ হাপ্পীয়ু।
চৎচরনি ননাইদি সনা কোম্নুং থাহুনা,
দেশ খুদিং কোঈহুনা চেঙ্গরুগে ঐহাকনা
ধর্ম্ম লৈতে রঘুবংশ নিংথৌ হাঈদুনা।
চোংঙা তেনরা য়োকহুনা তম্বিগনি রাহৈসি,

চিনফা পুবা ভমলগা থাদোকনি মখোইবু,
কোঈনা কোঈনা পাইহনা লোনহনগনি রাহৈসি।
পামেল উরাং খুদিংদ, ইরুগনি ময়েকসি।
নূংপাক নূংপাক খুদিংদা খোংলুগনি রাহৈসি।
খুনগং খুনগং খুদিংগী যণশেন্নহামথৈদা,
তম্বাদুনা রাহৈসি শকহনগনি ইশৈ ওই।
ধর্ম্ম লৈতে রঘুবংশ নিংথৌ হাঈহনা।
ধর্ম্মগী পন্দোনবু য়েংনশিদো ইবুঙো!
কৌশল্যা কৌবী ইচেমনা সনা থৌগন ভৈহনা,
নজা ইবুঙো রামনা যুবরাজ ওইহনা,
য়েকনা ভিংখং লৈতনা পানবিহৌরো মহারাজ।

পাওমেন মরি।

মথোং কারকপা পাখংও!
কেবনা নশিন ওইহনা,
শেংপনা নথৌ শাহনা,
নুঙাইবা রাখন মাংওইনা,
অরাবা রাখন ভুংওইনা,
অরেম্বদা লেনলিবা!
লেপক্কম লৈতবা তাইবংনি,

মতম কুইন্দবা মীপোকনি ;
অমং য়াইথোং কূমগনি,
অশি থোংজিন চংগনি,
কাওরবোইদো নহাক্কে।
নশক্কী নাপন তৌদুনা,
নতৌ নওং উত্তনা,
মতম হৌখরে খংদনা,
তুংগী পোথি য়েংদনা,
করি হায়না লেল্লিবা ?
চহিগী মতাং লাক্লগা,
ফজবা নশক মাংলগা,
নপাঙ্গল ময়েং তারগা,
নশানা অহল ওইরগা,
নিংওম্মকওই নতোম্মক।
নশানা নহা ওইরিঙৈ,
নপাম্বোম পাঙ্গন কল্লিঙৈ,
হকচাংগী ঈনা শারিঙৈ,
থোপনা মহি লাংলিঙৈ,
মোমগদবা নোমহৌও।
মুপা থোদাং য়েংতুনা,
পাঙ্গন থেকনা নোমহুনা,
লানওম ফিরান থেত্তুনা,

লেংদবা লনবু তান্দুনা,
নিংথিবা মিংচৎ থমহৌও।

মথোং কারকপী মুরাও!
শকয়েং মাংদা থাহুনা,
শময়া খুত্তা পাইহুনা,
শমলাং নাম্না হাত্তুনা,
শাইনোন তোঙ্গনা নান্দুনা,
কেবনা নশিন ওইরিবী।
ফজরবা নশক্তো,
নিংথিরবা নওংদো,
কুইনা লৈরোই খজনা,
মাংগদবনি নিংদনা,
নিংঙাইদনা লৈথোকই।
থম্বাল কৌবী লৈরাংনা,
কোরৌহনবা উহুনা,
ফুগাঙ্গননা শাত্তুনা,
মোমোন মোমোন নোকপদো,
কয়াগী মতিক ফজবা!
ফজবা মশক উবদা,
মুংশিবা মনম তাবদা,
কনাগী মিংনা পেন্দ্রবা!

কনাগী পুকনিং হুদবা!
হাঈয়ু তাসি নূরাও!
নিংথিরবী লৈরাংদো,
মতম কুইনা শাত্তেদো,
নিনি ফানা লেপ্পেদো,
ফজরবা মশক্তো,
য়ামনা থুনা মাংখিদো,
লৈনা লৈমন চল্লগা,
নিংথিবা শকফম মাংলগা,
কনানা হল্লা য়েংবগে?
কনানা মাবু থনবগে?
খম্দুনা য়েংউ মুরাও!
খুদম অসি য়েংহুনা,
রাখন মুন্না তৌহুনা,
পুকনিং অনি হোংদনা,
অচেৎপা পুকচেন লেপ্তুনা,
অফবা লম্বী য়েংহৌও।

ইনাকখুনবা মুপাও!
নরম্না লনকৈ থল্লবা,
নফৌনা নকোৎ চোল্লবা,
নষঙ্গা ষঙ্গোন ফারবা,
করিগী পেনবা নাইদবা!

ইকাই ইকি নাইদনা,
অচোপ অরেম থিদনা,
অরান অচ্ছুই য়েংদনা,
পাপ পূণ্য খাঙ্গদনা,
শেন্দা লাইনিং ওইরিবা।
হুকচাংনা মরূ কেমলগা,
পাঙ্গন্না ময়েং তারগা,
পুনশিনা মতোন লোমলগা,
য়াইবি থরাই মাংলগা,
পুবা য়াগনি নিংবরা?
মীওইনা পোকপা মপোক্তা,
ফাংভবা লশ্বী মরক্তা,
অচুম্বা লম্বেন খিবদা,
কান্নবা থবক খনবদা,
য়ামনা ঋাথন চংবনি।
তাঙ্গবা নরন অদুনা,
অফবা লমদা শাভন্না,
নিংথিবা মিংচৎ থমদুনা,
অফবা মিংথোন ভান্দুনা,
অমর খুবম তানহৌও।

হে অহন শিগৈচন!

খনগদ্দবদি খন্দন',
তানগদবদি তানদনা,
অরেম্বা রাখন তৌহ্না,
ঐগী নীগী হাঙ্ঈহ্না,
করিগী অদূক শাওরিবা ?
নংগী হাঙ্ঈবনা করিনো ?
লেংদবা নরন কদাইদনো ?
নচা হাঙ্ঈবনা কনানো ?
চান্নবা মরুপ কদাইনো ?
মুন্না খন্দুনা য়েংহৌও।
মাংগী লম্বী তেনশিল্লে,
তূংগী লম্বী শাংহৌরে,
চহি মতাং য়ামশিল্লে,
পুনশি কোঙ্গাই হৌথরে,
করিগীম্থু খণ্ড্রিবা ?
নচাগীদমক হাইহ্না,
চাবা থকপা কাউহ্না,
তুম্বা হিপপা নিংদনা,
নুমিৎচুপপা খন্দুনা,
অরেম্বদা রারিবা,
পুরকপা চেংজেন লোইহ্না,
তাইবং চিঙ্গাক থাদুনা,

শীগুম লম্বী চৎপদা,
খন্নুং লৈবাক চংবদা,
নচানা নভূং ইনবিরোই।
হকচাং মরূ খিংলিঙৈ,
পাঙ্গন মপান ফরিঙৈ,
অরা-অনা নাইদ্রিঙৈ,
অকি-অথং থংদ্রিঙৈ,
হোৎনবিগনি নচাগী।
অমুবা নশম ঙৌরবা,
অঙৌবা নয়া কেল্লবা,
চৎপদা চৈশু পাঙ্গরবা,
মীঙোন্দা খুরৌ চেল্লবা,
অদু য়ৌরবা নহাকনি।
অরেম্বা রাথন থাদুনা,
শুইজবা লম্বী থিদুনা
লেংদবা ননবু তান্দুনা,
হয়েংমুক্কী থম্মুনা,
অচেৎপা খুবম থিঙৌও।

———

মতমগী পাঙ্গল।

নুমিদাংরাইরমগী মতমদা,

নুমিৎনা চিংয়া থাংবদা,
চীংদোম্বা নঙান থেংপদা,
তময়াদা কোরী চেনবদা,
মণিপুর য়েংবা ফজেদা।

নোংমগী কোরৌ নুমিত্তা,
হাঈরিবা মতম অসিদা,
চীংঙা চীংগী চীংদোম্বা,
কাথংলম্মী ইতোমদা,
ইমাগী চেংলৌ য়েংজবা।

নোংচুপ পাংনা য়েংবদা,
নম্বুল তুরেন খোংনুংদা,
ঈশিং লিরি চেনবদা,
খোকপা মখোন তাবদা,
নুংওনবা অমা পোকউরে।

তুরেন ইবেম্মা নুংশিদা,
নংদি নমা নিংঙিদা,
*কুন্তিনা কপ্পা মতমদা,
নংস্থ য়াওনা কপপদা,
হৌজিক ফাওবা তোক্কবা।

*হাঙনবা লৈ:— বব্রুবাহনগী মখুত্তা অর্জ্জুননা তাকয়েন্দা তুরবদা কুন্তীনা তেংথানাওইথি।

মথাপাংনা য়েংবদা,
লাংথবাল কোন্নুং উবদা,
গম্ভীরসিংহ নিংথৌদা,
†নরনা ভাংবা লাভাংদা,
তাখিবা পিবু নিংশিংঙি।

নোংপোকপাংনা য়েংবদা,
নোংমাইজিংবু উবদা,
গৌরধর্ম্ম মমাংদা,
শিব নিংবা মতমদা,
থনম্বা খুদম নিংশিংঙি। ‡

অরাংপাংনা য়েংবদা,
কোন্নুং অমনবা উবদা,
চীথংথোম্বা হাক্তক্তা,
চন্দ্রকীর্ত্তি মতমদা,
তৌরম্বা থবক নিংশিংঙি।

মাইকৈ য়েংবা লোইবদা,
নুমিৎ থোংলবা মতমদা,

† নরনা—নরসিংহ।

‡ গৌরধর্ম্মগী মমাংদা মৈতৈ অসি শিব নিংলম্মী হায়রৈ। নোংমাইজীংদা শিবগী ভচৌবা খুবম লৈ।

লোইরোই লোইরোই কুম্বদা,
বুদ্ধি অমা লাকপদা,
মাখন অসিমা থম্লে;

মতমগী ঈচেন লাকপদা,
ঈরৈনা কম্মা চেনবদা,
অচৌ অশাং মমাংদা,
থাংবা ওমদে অমতা,
নিংশিংবতদি লৈকৌই।

লৈ।

মালেম লৈকোই পুংসিদা,
লাইনা শেম্বা খুংশেমদা,
নিংথিবগী মরক্তা,

তোমথিন ওানবা লৈমাংও।

কজবা কৈদা পাহ্নুনা,
নিংথিবা কৈদা থাহ্নুনা,
থাগৎসিবা নহাকপু,

২৬. শৈরেং অনৌবা

খীংখাগিবা মতৌবু,
আখা কয়দে খাৎপা।

মণিগা পাগে থনবদা,
য়ানিংঙৈবা থরাইদা,
নংনা হেল্লি থম্মুনা,
লৈপাক লৈথুং চংহনা,
লোৎপনিদো মণিনা।

নিংথিনা পরেং লেংহনা,
ফজনা নাচোম শেমহনা,
শিনরিদো ওকথমদা,
থেৎনরিদো থমজিদা,
নিংথিরবী মুজানা।

সনানা নওং শাদুনা,
মণিনা লৈরক হুত্ত্না,
হীরানা লৈরোন ওইদুনা,
চিম্নরিদো নিংথিনা,
ফজরবী মুরানা।

লাইরিক লাইরিক খুদিংদা,

বেদ পুরাণ মথৈকদা,
পূজা পোংচং লেংবদা,
থাদোক্রমদে নংবুদি,
মুনি ঋষি মথৈনা।

চন্দন মরিক থিক্তুনা,
নিংথিনা নওং শেনহুনা,
লাইবু নিংবা শিংহুনা,
থরাই য়াওনা কংনরি,
লাইনী থুয়া তমহুনা।

নিংথিবা নওং শাহুনা,
ফজবা নশক উক্তুনা,
নুংশিবা মনম হাপ্তুনা,
নংবু শেম্বা মপুনা,
তাইবংপান্দা লেম্নরি।

অহুমনদি ওইরবদা,
কলকইদা থরাইদা,
থুনা কেম্বা নশাগী,
পুন্সি তেনবা নহাক্কী,
থাবদা ঐহাক্না।

মৈয়েং অসৌবা।

ওদেক হদেক শাংলবা,
থুনা লৈমন চনখিবা,
নত্তৌ অসি উবদা,
অহুম অহুম থনবদা,
লেপলুয়েদা পুকনিংনা।

তাইবং পানবা অসিদো,
অয়েপ্পা মকম থংদেদো,
লোংদবা কীবম নাইদেদো,
শিদবা উপান হৌদেদো,
তাকপিরিদো নহাকনা।

ফজবগী শককমসু,
অকনবগী পাঙ্গনসু,
অচৌবগী সম্পাংসু,
ইনাকখুনবগী নাপনসু,
মাংগদবনি থোইদনা

থোংনা শাংপী নহাকুম,
নিংখিজবী লোংথাংহেম,
মাংকম মকম থংদনা,
লোংখন লীকম লৈতনা,

মুংকেমবনি খিন্‌না।

অঙকপগী খোকনফম,
শুমহৎপগী পোকনফম,
তাইবংপানবা অসিদা,
মায়া মশক থংবদা,
য়ামনা নুইদা লৈরাংও!

ভাইহাক ভাইহাকী খন্নুনা,
মুংভাইবদা নুপ্ত না,
ভইদবব্ মাংওইনা,
অওইবব্ তুংঙইনা,
লেম্নরিদা তাইবানা!

থানিন।

হে থা! করি পোংনো নহাবশে?
অশংবা অতিয়া মথক্তা,
অচোইবা লিকলাই মরক্তা,
তোমথিন ওানবা মশিরা?

নশকনা তেংবানবা শুক্কথলি,

নঙাক্না অমম্বা ঝোকহল্লি,
নিংখিবা নঙৌ উবদা,
তাইবংপানবা ঈংনরি।

য়েহেল্লোইঙৈগী মতমদা,
লাইগী মশীং চল্লখ্রী,
ঙসি ঙরাং অসিদা,
গ্রহনি হায়না লেপনরি।

লাইনি হায়গে হায়সল্লু,
গ্রহনি লোগে লৌসল্লু,
অচুক য়ামনা কুপথনা,
খিজনিংদে থল্লাইনা।

তারক-তারকপা মতমগী,
থোকউ থোকউবা অহিংগী
নিংখিবা কিবম অহৎতা
থাজনিংই ঐহাক্না।

ওলাংথাগী অহিংদা,
থানা নিম্না থোকপদা,
তাইবংপানবা জীবদা,

অমৃতবু থিকপীদো।

কালেন মুংশা লাংবনা,
ওয়া থোইনা থাংহুবা,
লৈরমলবা জীবদা,
পাঙ্গল নৌনা হাপপিদো।

হৈবোন লৈকোন খুজিংগী,
উমুং-য়ামং মথৈগী,
হৈয়াং লৈয়াং অপুম্বা,
ইতেক ইতেক তেকখংলি।

নোংজুথাগী মতমদা,
নোংথোং শেংবা অহিংদা,
থানা নিয়া থোকপদা,
নিংথিবা প্রমাণ লৈত্তেদা।

নোংনা ছাইয়প থিকপদা,
উনানা লাংকপ চোৎপদা,
থাবন মশেক খেৎপদো,
তপুপ অরেং নিংথিজে।

অশংবা তিংথৌ মতোন্দা,
ঈশিং ঈরিক পকপদা,
থাবনগী ঈরি চেনবদি,
করিনি হায়না লৌশিগে!

কনাগুম্বা মুপানা,
হীরা মুক্তা মকুপনা;
অশংবা তিংথৌ মরক্তা,
চাইথোকপরা খল্লিদা!

পাকলবা ইপাক থক্তুদা
মুংশিংনা লিরি হুম্বদা,
ঈথকনা তনিক হৌবদা,
থানা চোংহুনা শাম্নবা,

ফজবা কৈদা পাগনি,
নিংথিবা কৈদা থাগনি,
হাঈকম থোক্তে রাহৈনা,
ইকম লৈতে কলমনা।

ঈশিং ঈপাক মথক্তা,
থারিকথানা শাংশদা,

পশোং ফিবুম মখক্তা,
মপি অপাবা তাগুন্দী।

থরো অঙৌবা লৈরিক্তা,
থোইমুনা লৈহী চুপপাদি,
মুরা ম্নাইথোং থম্বালগী,
শমক্রু তোমথিন মাপ্লিদা!

শরৎ কৌবা ঋতুদা,
তরু তরুবা অতিয়াদা,
থানা নিম্না থোকপদা,
কয়াদগী নিংথিবা!

থাবম্না কবোক পোকপদা,
মুংশিংনা লিরি হুম্বদা,
লৈনা ঙৌনা শাংপদা,
কনাগী পুকনিং ওনদবা।

বসন্তগী মতমদা,
পূর্ণিমাগী অহিংদা,
মহৌশা ফিবম উবদা,
মুংওনদবা কনানো?

অনৌবা উনা চাহ্নুনা,

হৈনৌ মপান চুপ্তুনা,
ময়াইকাবা কোকিলনা,
কুহু কুহু খোংলকপা;

কোঙ্পাই কোঙ্পাই পাইহুনা,
লৈহী পেম্মা থক্তুনা,
খোইমুনা ঙংবা তাবদা,
কনাগী পুকনিং নৌদবা?

মতম মতম খুদিংদা,
নংগী নশক উবদা,
তাইবংপানবা অসিদা,
মুংঙাইতবা কনানো?

কাঙ্নবা ঈপাক্তা তাউদুনা,
থাইনবা ঈরৈনা চেন্দুনা,
রাখল্লা থম্মোই থুমহুনা,
মতম লেনবা মীদনা,

নংগী নশক উবদা,
অইংবা নঙান লাংবদা,
তানা থিনবগুম থম্মোইদা,
হুচেনবা নশকনি খনগনি।

মাসি হাঙ্কুই হাইদুনা,

নগুণ করি মাংগনি,
সুধাকর কৌবা নমিংবু,
কনানা মুৎপা ভমগনি।

———— – ——

যমগী চৈথা।

হে যম!
পুকচেন ফত্তবা নহাকনি,
হাৎপদনা নশিন্নি।
অককপা মতম থমদনা,
রাখন বিচার লিংদনা,
নিংলক-নিংলকপা মতমদা,
জীববু হেক্তা মহাৎপা!

শিহনগম্ব হাইদেনা,
পুনশি মতোন লোমহনা,
মতমচানা শিবদা,
কনানা নংবু ভাংনবা!
পুনশিবা অহনশিংদুনা
শিরগা ফরে থন্নেনা।

কদাই নংদে তমথীবা!

করিগী অসুক ফত্তবা ?
অনৌ অনৌবা অঙাংবু,
ঊনথংলকপা পাথংবু,
মথুং মতম ওইমনা,
করিগী দমক শিহনবা ?

নংনা শীনবা থুজিল্লা,
তাইবংপানবা পুম্বনা,
কয়াগী মতিক হ্লাদুনা,
অহিং সুংথিল নাইদনা,
মমিত্তা মপি কংদনা,
ওয়া খোইনা খাংনরি।

অহন ওইবী মমাগী,
হমুরবা মপাগী,
মথক্লাইনি থমজবা,
অমত্তা পোকপা মচাবু,
করিগীম্বু হুদুনা,
অসুক য়ামনা হ্লাহনবা।

য়ুম্ব অমগী মবেম্মা,
চান্না থমজবা সুপানা,
মখোং কারকপী তুপীবু,

মপুরোইবগী থম্মোইদা,
কাঈনবা মৈচাক পীদুনা,
ইলাঈ লাঈনা পুখোকপা!

নৌনা মথোং কারকপী,
তনৌ তনৌবা উরিনা,
পামেন উরাংদা য়েংচবা,
পামেন উজাও কক্তুনা,
নানা শেংনা থাইদুনা,
ওয়া থোইনা থাংহনবা!

অপোকপীদি মমাগী,
থরাইগীনা লন্নিদি,
তম্পাকীনা থানিদি,
চেংনা লুনা থমজবা,
তনৌ তনৌবা মচাবু,
মথান্নুংদগী শংলিবা!

মচাগী মৈচাকনা চাকলবী,
অরাবা পম্বোন লোমলবী,
অপোকপীদি মমানা,
অহিং মুংথিন নাইদনা,
তেংথা নাওই কপ্পবু,

শৈরেং অনৌবা।

করম ভাম্বনা লৈরিবা ?

কাইনবা মৈশা লাংলবী,
কম্লনা নপুম থিংলবী !
কপ্পনা করি ফংগনি !
বাম্বনা করি তৌগনি ?
নচা হুবা মুপাদো,
লাকপা ভমদে জগৎনা।

তাইবংপানবা অসিদা,
চাউরা চাউরবা নিংথৌম্ব,
অকন অকনবা মুপাস্থু,
অথৌ অথৌবা লান্মীস্থু,
মাগী মমিং তাবদা,
মিপাইহুনা নিকনৈদো।

মালেম লৈকোই পূংসিদা,
কোক্তগী তোন দাওবদা,
মুংঙাই য়াইফা মরক্তা,
লাইরা য়াইথী মনুংদা,
যমগী চৈথা ফংদনা,
মুংঙাইনা লেনবা কনানো ?

পোকনফম লমদম।

নিংথিরবী মুজাগী,
ওক্তা শিবা লৈতেংগী,
সনা লিকফাং ময়ক্তা,
অমতা থানবা মণিশুম,
নিংথিবা মফম লৈরিদা,
মালেম লৈকোই মুংশিদা।

প্রকৃতিগী শাম্নফম,
ফজবগী হৌনফম,
নিংথিবগী ভুংনফম,
মুংঙাইবগী পোকনফম,
হাঙ্গৈরিবা মফম অসিদো,
অনিগুদে মালেমদা।

মীরৈবাক্তি অচৌবা,
ফজ্জবনা তিল্লবা,
ফুরা দোলায়া লৈতেংবা,
সনা রূপা য়াত্তবা,
নিংথিবা দেশতা লৈহুনা,
কাউবা য়াদবা মফমনি।

অচৌবা নিংথৌ কনানা,

য়েংশিল্লক্ত্না মাঙোন্দা,
লানতারকপা মতমদা,
মাবু ঙাকে নিংদনা,
ইরাঈ লাঈনা থাদোকপা,
অয়ম্বা কনা লৈরোইদা।

য়ুমগী রাথন কুংওইনা,
মাগীদমক্তা হাঈদুনা,
লানফম ময়াই খোক্তুনা,
য়েকনবা মাইয়োক থাদুনা,
লান্দা থল্লাই থাবদা,
চিংনবা করি লৈনদে।

মালেমদা অনিশুদবা,
অমতা ঙাঈবা মফমনি;
মাগী মগুণ অচৌবা,
থাত্ননা ঙম্মোই কনানা,
স্বর্গদগী হেনবীনি,
হাঈনরিবনি ময়ামনা।

থাগৎমল্লি হাঈরগা,
করম্বা মফমনো থিরগা,
হুংঙু হুংঙুবা খুদিংদা,

তাকংরক্নি খুদক্তা,
মীত্তইবগী নিংনফম,
পোক্নফম লমদম হাঙ্গৈহুনা।

প্রকৃতিনা উৎপা।

ওলাংথাগী মত্তমদা,
থেংলকলবা অহিংদা,
হিপপা ওমদ্রহুনা ফমুংদা,
চখেৎকলম্মী মপান্দা,
হকচিং লাংগে নিংদুনা।

শাউগংলম্বা হকচাংদা,
সুংশিংনা লিন্নি য়ৈবদা,
মহৌশা মশক উবদা,
ওলাংওম্বা কোকথরে,
হকচাং ইহৈং ইংথরে।

জীবপানবা তুমথরে,
নিনথোংলগ্বা তোকথরে,
তুমিন তুমিন লৈথরে,
অশিবা পাংথক ওইথরে,
অহিং টচিক হনথরে

মাইকৈ খুদিং য়েংহুনা,
প্রকৃতি মরম খন্নুনা,
খোংথাং তপনা থাংদুনা,
অসুম অসুম খনবদা
রাথন হুমা থুংলরে।

মুংশিংনা লিরি হুমবদা,
উনানা তনিক লেংবদা,
প্রকৃতি কৌবী দেবীনা,
নিংথিবা হুমাই পাইহুনা,
হুম্বনিঙি খল্লরে।

থানা নিম্না থোকপদা,
থাবল্না কবোক পোকপদা,
লৈরাং ময়াম শাংপদি,
মহাশা কৌগী লাইরেম্বী,
মোমোন নোকপনি নিংলুরে

শংবানবা অভিয়াদা,
থৌরানমিচাক মথৈনা,
তপ্প তয়েং থোকপদো,
খেমজি রেশম মথক্কা,
লিকলাই ভাবনি খল্লরে।

লাপন উপন মথৈগী,
উরী লারী থুদিংগী,
অশংবা উনা মরক্তা,
তন্দন পরেং পাইবদি,
মণিমুক্তা পানগুমই।

প্রকৃতি মতৌ য়েংহনা,
থরা থরা লাকপনা,
ভুরেল মপান য়ৌহনা,
তোর্ব্বান তিংথৌ মথক্তা,
ভুমিন ঙাইহাক কমললক্ষ্মী।

অরূবা ভুরেল ঈশিংনা,
নিংথিবা খোনকম থোক্কনা,
অতং অথম নাইদনা,
মথাপাংনা চেনথবা,
মুম্না ঙাইহাক য়েংলক্ষ্মী।

ভুরেনগী মতৌ উবদা,
মওন মওন থনবদা,
পুকনিং কাইদোং নাইদবা,
লাথন লাংগোই চনথরে,
চিন্তাগী ঈথক হৌরকলে।

ত্বুরেন্না চেনবা ঈচেনগা,
নমূ পুনশি খোংচংকা,
প্রকৃতিনা ওনবা শাইওনগা
তাইবংমীগী ফিবমগা,
পাংথকনিদ্দি থল্লুরে।

বসন্ত কৌবা মতমদা,
অনৌবা য়েম্লিং হুনবদা,
লৈনা মখন শাংপদা,
প্রকৃতি কৌবী লাইরেম্বী,
অনৌবা শকফম উংপদো ;

মীতইবগী মপোক্তা,
মথোং কাম্নকপা মতমদা,
মুরা পাখং মথৈদা,
নিংথিবনা তিনবদো,
পাংথকনিদ্দি লোক্নরে।

নোংজুথাগী মতমদা,
নোংনা অহিয়া কুপ্তুনা,
নোংখোং ফুইনা চুবদা,
অখাক অরাউ তাবদা,
অকনবা ফিবম উংপদো ;

পাথং য়াইভোং ফাবগী,
ঈ খেরকপা হকচাংগী,
কনথৎলকপা মশাদা,
নাপন কাবা মভৌদো,
উৎপনিদি খল্লিদা।

নিংথম্বা মতম লাকলগা,
উম্না কুংনা তারগা,
উনঃ ঝানা কেন্দুনা,
উপান ঝাপান মথৈনা,
শিরুম নারুম তৌবদো;

চহি মতাং য়াশহনা,
হকচাং মরাঈ চাঈদুনা,
পাজন ময়েং তাহনা,
অহন ওইবা ফিবমবু,
উৎপানিদি নিংভিদা।

একৃতিগী মওংদি,
নিংথম্বা মতম লেল্লগা,
বসন্ত মতম লাকলগা,
রেম্মিং নৌনা হন্দুনা,
মশক অমুক ওল্লিদো।

তাইবংমীগী মীপোক্কি,
চৎপ্‌বদা মতমনা,
হৌখ্‌বদা পুনশিনা,
হঙ্গিল্লকপা নাইদনা,
কাপ্পগী ঈপাক্তা তিনখিদো।

চাংজৌ পকপা ঈহৌন্থ,
ময়াং কংবা তুরেনন্থ,
চেন্থখ্‌বদা ঈশিংনা,
হনগৎলকপা লৈতবা,
অহুগদি পাংথকনি।

নুংশিৎ।

নশক উদবা নহাকনা,
ফিবম লেপ্তুবা মশানা,
মফম মফম থুদিংদা,
শীনবা থুংনা লৈছনা,
মালেম পৃথী অসিদা,
জীবগী থল্লাই ওইবিরি।

অমাংঙৈগী মতমদা,

লাইগী মশীং চন্দুনা,
ঈরাংলম্মী নহাকপু ;
রাখন খনবা মথৈনা,
খঞ্জিল্লকপা মরমনা,
তোকনখরে হুজিক্তা।

লাই নত্তেস্নু হাঈসন্নু,
নমিং মথনস্নু থোনসন্নু,
হাঈনিং হাঈনিংবা হাঈসন্নু,
লৌনিং লৌনিংবা লৌসন্নু,
নগুণ করি মাংগনি,
নয়েং করি তাগনি।

মহৌশা ফিবম হোংদনা,
চৎপা শাজং কাঈদনা,
অপন অথিং লৈত্তনা,
ননিংনথা তমদুনা,
শিংকে মাইকৈ শিংলিদো,
হুমগে মাইকৈ হুমলিদো।

শোনগে কনগে ননিংনি,
শোনবু শোনলে হাঈরগা,
ইবো নৌবা উরীগী,

নৌনা হনবা রেম্নিংগী,
ইথোং থোংগা ময়োনবু,
লেংবমক্তা ওমজদে।

কনবু কনগে হাঈরগা,
পামেন উজাও ফুক্তনা,
ফুরা দোলান কিহ্নবা,
ঈথং চাংজো হাইগংনা,
পৃথ্বী থক থক নিকহন্না,
লৈনা থোম্না শিংলিদো।

ইংগে শাগে ননিংনি,
ইংবু ইংগে হাঈরগা,
উন মহি ওইরকই,
পোমক্রি হাকথং ওইদুনা,
কদি য়াওররিবা,
লাইরবা কয়া নংহল্লি।

শাবু শাগে হাঈরগা,
থাম্বী মৈগা পাংথক ওই;
থেংনরুবা কনানা,
থাংবা ওমদে নমাংদা;
থেংনজরোই হাঈহনা,
কোঈরোং লোংনৈ জীবনা।

নংগী শাইওন মখনসি,
নত্তিক নগুণ ময়ামসি,
খংবা শুমদে কনানা ;
অহুমনদি ওইবদা,
নত্তিক চাউবা মালংবা,
ঐনা খল্লি পুকনিংদা ;

মাগী পথাপ মভুংইন,
ভাইবংপানবা পাল্লিবা,
মুমিং থানা থোকলিবা,
অচিক অশা খাঙ্গৈরিবা,
মুংশিং কৌবা নহাকসু,
মাগী ফৌরোই ইনবনি।

ফিদম।

নিংথিজৈদা পামেন উজাও অচৌবা।
কজবা করিগা প্রমাণ তৌসিবা।
মুংশানা কন্না শারবা মতমদা,
অচৌবগী অইংবা মতৌ উংলিদো।
অচৌবা নিংথৌরেনগা পাবদা,
নংগী করি অমতা থাত্তেদা,

শংবানবা অত্তিয়ানা থাগম্মি,
থৌরানমিচাক ময়ামনা থাউমৈনি।
মালেম পৃথ্বীনা সনাপুকৈ ওইরিদো,
অহাওবা চিঙ্গাক তত্তনা হুম্লিদো,
অইংবা মুংশিংনা থৌগল্লি নংঙোম্দা,
নোংগী ঈশিংনা চাইথরি নশাদা।
কোকিলনা কম্মাং থোগন তৌইদো,
চোঙানা য়াকাঈরোনবু শকইদো।

পিজ পিথক মরমদা মহৈখানবা মতমদা,
মীচং মীথাঈ নাঈদেদো।
নহৈ য়ানবা মতমদা, লাকপা জীব মথৈদা,
মনিং থুংনা পিজৈদো।
চংলকক্‌না নখোংদা, নিংথিরবা নরুমদা,
পোথানরি জীবনা।
ইংবা কালদা শাহল্লি, শাবা কালদা ইংহল্লি,
নংগী অচৌবা নগুণনা।
নিংথিবা উরাং মথক্তা, নশা নরেং মথৈদা,
অকৃংবা উনা মরক্তা ;
মুংথিনগীদি কাঈদোংকম, অহিংগীদি য়াইরেকফম,
ওইহল্লিদো চেকলা মথৈদা।
রেকনবা মশীং চন্দুনা, মথুক্তা শীংজং পাঈদুনা,
নশা ককলবা মুপাদা,

য়েকনবনি হাঙ্গৈদুনা, অহংবা নরুম পীদনা,
পুকচেন পিকপা উত্তেদো।

কালেনথাগী মতমদা,
মুংশানা কাঙ্গৈনা শাবদা,
অশাবা মুংশিং য়ৈবদা,
ইয়াঙ্গৈ লাঙ্গৈনা থাংভিদো।

নোংজুথাগী মতমদা,
নোংখোং ফুইনা চুবদা,
অথাক অরাউ তাবদা,
নাচুংলুবা লৈতেদো।

নিংথমথাগী মতমদা,
ইংবনা পম্পোন লোম্বদা,
উম্না ঙৌনা তাবদা,
অখাংকনবা উংলিদো।

অশিং অন্নানথা মতমদা,
মুংশিংনা কম্না শিংপদা,
নোংলৈনা লৈনা হুম্বদা,
হাইনা হুমনা থাংভিদো।

বসন্ত মতম লাকলগা,

উনানা নাপুম ফারগা,
নহৈনা চুমনা য়াল্লগা,
নরু ইরুক লুকইদো।

খাংবা কনবা নশাগী,
নরু লুকপা নহাক্কী,
লৌনফমনি চংখোম্না,
তমনফমনি নিংথিনা।

প্রমীলানা লঙ্কা কোন্নুং চংবা।

"করি ইতা বাসন্তি?
চীংগী লোকচাওমুংদগী,
ঈছুন কম্না থোরকপা,
ঈরৈ কনবা ভুরেম্না,
সমুদ্র তমনা চেনবদা,
থিংলগদবা কনানো?
নখোই ঐখোই অপুম্বা,
দানব শাগৈদা পোকপীনি,
রাবণগী মমৌ ঐহাকনি,
মেঘনাদগী মনাইনি,
করি কিফম লৈবগে,

রামগী ভেঙোন অচৌবা?
ঙসি অহিং অসিদা,
লঙ্কা কোম্নুং চংবদা,
থিংলগদবা কনাগী,
মতিক করি লৈবগে?
নখোই চামা চংলুসি,
শাপোং লানপোং শেংচিল্লো।"
য়াথং অসি পীরগা,
প্রমীলা কৌবী নিংথিবী,
শামু লমশা শাজংপূ,
ঙমজরবা খোংথাংনা,
শংগাইম্নুংদা লেংশিনখি।
মেঘনাদগী কোনুংদা,
প্রমীলাগী সংগাইদা,
নিংথিবী মতা মথেনা,
চংনবা থৌরাং তৌরকলে।
য়েংথাং ওইথাং য়ান্দুনা,
চুঙোই নমদা হুন্দুনা,
ভেন্দোং শেপলপ পোন্থনা,
থুত্তা লিরুং পাঈহনা,
পরেং পরেং লেপখরে,
থাং তাগী মঙাল্লা.

ইরুং ইরুং লংখরে।
শগোন চামা চিংথোকলে,
নিংথিবা শাপোৎ হাপকৎলে,
খুর্জী চেজেৎ পায়রুনা,
মবেম্মা থৌগন ঙাইখরে।
প্রমীলা কৌবী নিংথিবী,
লানগী ফিজেৎ শেৎকৎলে,
অমুবা শমলাং মথক্তা,
মনিগী লূহুপ উপ্পদি,
অনৌবা নোংগী মথক্তা,
চুমথাং মখোন থানগুম্মী।
নাপ্পা চাইরুং অনিদা,
কুন্দর নাইন্না নিংথিরে।
খুত্তা লিরুং পাঈশিল্লে,
নমদা তেন্দোং পোশিল্লে,
তেন্দোংগীদি ময়াদা,
অমুবা শমজোই তাবদি,
মহু পুবা সিনশিংনা
মহু তমনা লৈগুম্মী।
খ্বাংদা থাংশাং য়ানশিল্লে,
নাকন্দা ছরি থেৎচিল্লে,
বড়বা কৌবা লাংগোইদা,

শাদোং চেৎনা তোংখৎলে।
থৌগন মত্তা চামস্থ,
লাংগোইথক্তা কাখৎলে।
নিংথিরবী প্রমিলা,
ফজবা কৈদা পাগনি,
মহিষাশুরগী লানফমদা
শুম্ভনিশুম্ভ হাৎভৈদা,
দুর্গানা ওইবা মতৌগা,
পাম্ফমগদবা মভাইরে।
লানগী শাজন লোইবদা,
যাত্রা পুংফম ভাইবদা,
ইংলিভৈদা লৈগুম্বী,
শাউরকপদা মৈগুম্বী,
প্রমীলা কৌবী সতীনা,
মত্তা চামা য়েংদুনা,
অহকপা য়াথংনা হাঈরকই ;—
" তারো তারো ইত্তাশা !
ভসি অহিং অসিদা,
য়েরুবা তিংখং য়ানথৎকে,
অচৎ লম্বী শেংদোকে,
লম্বা কোমুং য়ৌগেদি,
রাশকলিদো ঐহাকনা।

মুপী ওইবী ঐখোইগী,
পাঙ্গন করি য়াংকনি,
মুপানা কৈদা হেনগনি?
চংসি চংসি ইতাশা।
য়েংঙ্সিদো ঙসিদি,
কয়া মতিক কনবনো,
য়ামগী তেঙ্গোন হায়বদো।
লানবু থেংনবা, থোকলগা,
হিংচাবা শাগৈ মমুংদা,
শাগৈ মৈতান অশিবা,
মীখোং নোইবা বিভীষণ,
রাম লক্ষ্মণগা লোঈননা,
পুনদুনা পুরকসি ঐখোইনা।
মুংশিংকী মমাং থাহুনা,
চংলু চংসি ইতাশা।
য়াহৈ অসি হায়রগা,
লানগী যাত্রা তৌখরে।
লম্বী কোঙ্গাই চংলগা,
নোংচুপ থোংদা থুংখরে।
মোইবুং খোনবাং খোংগংলে।
লীরী তোইনা খিংলকলে।
লানবু কয়া শীংলকলে।

থোং পুবা হনুমান,
চোংথোরক্লে মপাম্দা।
লুপী ময়াম উবদা,
রাহৈ থীনা হাররকই:—
"নতাং চাওবা হিংচাবা,
লুপী ফিজেং লৌদুনা,
নথরাই য়োনবা লাকপরা?
রাবণ কৌবা নিংথৌনা,
মিংদা তাবদা নিকলিবা,
হনুমান লৈ থংদরা?
মনাও ইবুঙো লক্ষ্মণ,
অহিং চেপ্তে থংদরা?
হিংচা য়াইতম নথোইগী,
চিত্রগুপ্ত ওইরিবা,
বিভীষণ লৈরি থন্দরা?
মুরা থংভি ঐহাকনা,
নতাং চাউই হিংচাবা।
লুপী মওং মাংহনগে,
নহৌশা নশক চুমহনগে,
নথরাই নথরাই লৌহনা,
যম য়ৌনা থাবিগে।
হনুমান মরা তাবদা,
নৃমুণ্ডমালিনী কৌবীনা,
থীনা হাঈনা রাহৈনা,
চপচানা খুমলকই:—
"বনগী শাদি অত্তোনবা,

মূমা ভাজৌ অপংবা,
অরি লৈতবা নঙোন্দা,
খুৎলাই থোকপদি থোকনিংঙে।
নথরাই পুহনা চেঙথো,
নবুঙো রামদা তমজরু,
মনাও লক্ষ্মণদা হাঙজরু;
বিভীষণদা ভাকচরু;
পাজনবদা নোংশাগুম,
মমিংচৎলবা ইন্দ্রজিৎ,
চায়থোইবী মহাকী,
প্রমীলা কৌবী ইবেম্মা,
লঙ্কা কোনুং তমলকই।
লমথাগে থাদোকলো,
থিংগে নিংলে থিংজরো"
নৃমুণ্ডমালিনী কৌবীনা,
হাঙরকপা রাহৈ তাবদা,
অঙনাগীদি মচানা,
অমুক হয়া হাঙরকই:—
"সমুদ্র কৈগাক থিংহনা,
অপার তেঙ্গোন পুহনা,
লেৎলকইবা ইবুঙোসে,
রাবণবুদা শীংবনি।
লুপী ওইবী নথোইদা,
য়েকনবা লমচং চৎলোইদা।"
হনুমান মরা তাবদা,
প্রমীলা কৌবী সতীনা,

নিংথিবা রাহৈনা খুমলকই :—
"ঙাপুরোইবগা য়েকনৈ হাঙিহুনা,
লান ভোগে নিংদেদা।
মরোন অহুম ওমজবা,
ইপুরোইবনি ঐঙাকী ;
রাগী মতেং পাংলুক্ম,
কমি নৈতে ঐখোইগী।
হাঙিনিংবা রারম অপুম্বা,
হাঙজগনি ইতানা ;
হুন্তী অসি পুহনা,
চংবিরুদা অকনবা,
নবুঙো রামগী মনাক্তা।"
হনুপা লোঙননা দূতীদো,
রামগী নাক্তা থুংখরে।
নিংথিনা ভক্তি কংতূনা,
মখুৎ জোড় তৌহনা,
খুকউ খুদক লৈতানা,
রামগী চরণদা হঙংলি :—
"নৃমুণ্ড মাঙিনী ঐহাকনি,
প্রমিলাগী মতানি ;
হংগংচবা রাক্মদি,
প্রমীলা কৌবী ইবেম্মা,
কোম্লং তাম্না লেংওকই।
লম থাগে খাবিয়ু,
থারোইদবা লৈরগা,
লানকম তাম্না থোকপিম্,

সুপী রানি খন্দুনা,
উশিত্তবস্র তৌবিস্থু ;
নিংথিরবী নোংথাম্বদো,
মতৌ কয়াদা নৌবনো !
থেংনরবদা মাহাক্না,
ছিংবা জীব কনানো ?
চুতী মপাউ তাবদা,
রামনা তপনা হায়রকই :—
"তাবরা দুঙী অথোইবী।
সুপী ওইবী নখোইগী,
নয়ান করি লৈত্তুনা,
য়েকনবা লমচং চংকনি।
চংনিংবা মাইকৈ চংপদা,
য়ৌনিংবা লমদম য়োবদা,
ঐগী তেঙ্গোন কনানা,
বাধা তৌরোই নখোইবু,
ঐগী ইচাগা লোঙ্গৈননা,
চংলু চংলু দুতীও।"
রাহে অসি হায়রগা,
হনুমান য়েংনা হায়রকই :—
"তারিবরা ধবলী !
থোং নিংথিনা থাদোকউ,
নংনা ইরেন থিন্দোকউ।"

লোইরে।